# স্বিস বেঙ্কশিংদা ইন্দিয়ানশিংগী ব্লেক মণিগী মতাংদা রাহুল গান্ধীবু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা চৈখ্রে



***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ ঃ***
যূম্ফম য়াওদবা রিপোর্টশিংদা যূম্ফম ওইরগা স্বিটজর্লেন্দগী বেঙ্কশিংদা থম্বা ইন্দিয়ানশিংগী ব্লেক মণিগী শেনফম হেনগৎলকখ্রে হায়বগী ৱাফম থাঙ্গৎতুনা লৈবাকসিগী মশক থীহনবগীদমক কংগ্রেস প্রেসিদেন্ট রাহুল গান্ধী ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্ট্রি পিয়ুশ গোয়ালনা চৈখ্রে। স্বিস বেঙ্কশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়ান দিপোজিটশিং অশেংবমক্কী কুমজা ২০১৭ তা চাদা ৩৪ হন্থরকখ্রে। মদু য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৫২৪ নি হায়না গোয়ালনা হায়খি।

ঙল্লিঙৈদা ফোঙখিবা রিপোর্টশিংগী মতূং ইন্না স্বিস বেঙ্কশিংদা ইন্দিয়ানশিংনা থমজিনবা শেনফম কুমজা ২০১৭ তা চাদা ৫০ দগী হেন্না লুপা ক্রোর ৭,০০০ তা হেনগৎলকখি।

ঐহাক্না রাহুল গান্ধীদা যূম্ফম য়াওদবা রিপোর্টতা মহাক্না করিগীদমক ইন্দিয়াদা মহাক্না মশক থিহল্লিবনো হায়বসি লৈবাক মীয়ামদা পাউখুম পীগদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টকী মপানদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি।

হীরম অদু খঙদনা যূম্ফম য়াওদবা মফমশিং হায়বগীদমক রাহুল গান্ধীবু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মরাল শীখি। মহাক্তি অশেংবা ৱাফমশিংদু খঙদনা হেক্তা হায়জিনবগী হৈনবী লৈ।

নো-কনফিদেন্স মোসন অদুগী মনুংদা ফাওবা কংগ্রেস নীংখাইরক্লে হায়বগী ৱাফম ঐখোয়না উখ্রবনি। স্বিস ওথোরিটিজনা পীরকপা দাটাগী মতূং ইন্না কুমজা ২০১৬ তা ওইরম্বদগীদি ২০১৭ তা স্বিস বেঙ্কতা ইন্দিয়ানশিংগী দিপোজিট চাদা ৩৪ হন্থখ্রবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কুমজা ২০১৭ কী অরোইবা ক্বার্টর (ওক্টোবর-দিসেম্বর) দা লোকেস্নেল বেঙ্কিং ষ্টেটিষ্টিকসতা যূম্ফম ওইরগা চাদা ৪৪ হন্থখ্রে হায়না গোয়ালনা হায়খি।

অরানবা তৌবা মীওইশিংনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং মোদি গভর্ণমেন্টপু কি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে। গভর্ণমেন্টনা ব্লেক মণি পৈশিন্দুনা থম্বশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।


মহাক্না মখা তারদুনা য়ু পি এ রেজিম মনুংদা কংগ্রেসনা করিমত্তা তৌখিদ্রবসু গভর্ণমেন্ট অসিনা ব্লেক মণি তুংশিনবা অমসুং মপান লৈবাক্তা থম্বা লাকশিন্নবা খোঙথাং কয়ামরুম লৌখৎখ্রে হায়খি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ দিসেম্বর ২১ দা ইন্দিয়ানা স্বিটজর্লেন্দদা এগ্রিমেন্ট অমসু সহি তৌনখ্রে। লৈবাক অনীমক্না গ্লোবেল ষ্টেন্দর্দসকা চান্ননা ২০১৮ গী জনুৱারী ১ দগী দাটা খোমজিনবা হৌখ্রে অমসুং চহী চহীগী ওইবা যূম্ফমদা ২০১৯ গী সেপ্টেম্বরদগী দাটা অদু খূৎশিন্নবা হৌরগনি।

মসিনা ইন্দিয়াদা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন ফংহন্দুনা ব্লেক মণিগী অকিবা অদু মুখৎপা ঙম্লগনি অমসুং অসিগুম্বা থবক থৌওংশিং চত্থবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপা ঙমহল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পাকিস্তানগী মীখলগীদমক খ্বাইদগী য়াম্বা মিলিটরি শীজিন্নগদৌরি

***ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৪ ঃ***
টেরর এটেক কয়ামরুমগী চৈথেঙ ফংখ্রবা কেম্পেন অমগী লোইশিল্লকপদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা পাকিস্তানগী জেনরেল ইলেক্সন অসিগীদমক লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা ভোট থাদবা নুমিৎ অমদা খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্ট ওইনা লৈবাকসিগী মফম শীনবা থুংনা লান্মী ৩৭০,০০০ দিপ্লোই তৌখ্রে।



টেরোরিষ্ট এটেক কয়ামরুমনা মশক থিহনখ্রবা লৈবাক শীনবা থুংনা চত্থনখিবা ইলেক্সন কেম্পেন অদু ঙরাং অহিং নোংয়াইদা লোইখ্রে। জুলাই ২৫ গী ইলেক্সন অসিগীদমক পোলিং ষ্টেসন ৮৫,০০০ দা লান্মী ৩৭১,৩৮৮ ঙাক শেনহনগনি হায়না পাকিস্তান আর্মিনা ফোঙদোকখ্রে। মসিনা লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাওনা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্ট তৌবা ইলেক্সন অদু ওইরগনি।

হৌজিক লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা লান্মী দিপ্লোইমেন্ট তৌবা মপূং ফানা লোইশিনখ্রে। লোকেল সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংগা খূৎশম্মনা লান্মী ট্রুপশিংনা ভোট থাদনবগী অফবা অমসুং শাফবা ফিভম অমা পীগনি হায়না মিলিটরিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

ইলেক্সন অসিগা মাঙওইননা লৈবাক অসিদা কেন্দিদেটশিং অমসুং কেম্পেন রেল্লিশিংদা টেরর এটেকশিং মথং মথং চত্থরকখি। এটেকশিং অদুগী মনুংদা জুলাই ১৩ দা বালোচিষ্টান প্রোভিন্সতা মীওই ১৫১ হাৎখিবা এটেক অমসু য়াওখি।

আর্মিদা মেজিষ্টরিয়েল পৱারশিং পীশিল্লে হায়বগী পাউশিং থোকহনখ্রবা মতূংদা মীখল অসিদা মিলিটরিনা তৌগদৌরিবা থবক্কী মতাংদা ৱাহংশিং হংনরকখি। পোলিং ষ্টেসনশিংগী মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা আর্মি দিপ্লোই তৌবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন পাকিস্তানগী মথক্তা য়ানিংদবশিংসু ফোঙদোক্লখ্রবনি।

অদুম ওইনমক আর্মি চীফ জেনরেল কামার বজৱানা ইলেক্সন দ্যুটিগীদমক দিপ্লোই তৌরিবা মিলিটরি পার্সোনেলনা ইলেক্সন কম্মিসন পাকিস্তান্না পীবা কোদ ওফ কন্দক অদু চেকশিন্না ঙাক্কনি হায়বগী থাজবা পীখি।

আর্মিনা মীখল অসি মায় পাক্না পাঙথোক্লুবা, ভোট থাদবদা ভোটরশিংবু খুদোংচাহন্নবা হোৎনবা অসিগুম্বা থৌদাং খক্তমক লৌগনি অমসুং মীখলগী থবক থৌরম পূম্নমক ইলেক্সন কম্মিসনগী কন্ট্রোল অমসুং ওথোরিটি মখাদা অদুম্মক লৈগনি হায়না জেনরেল বজৱানা হায়খি।

পাকিস্তানগী কুমজা ১৯৪৭ তা নীং-খা তম্বা হেক ফংখিবা মতূংদগী লৈবাক অসিগী ইতিহাসকী তঙ্খাই অমরোমদি তোঙান তোঙানবা মখলগী কুশিংগী খুত্থাংদা লৈবাক অসিবু মিলিটরিনা পাল্লকখিবনি।

# দিল্লি এয়ারপোর্টতা ক্রোর ১ গী সনা ফারে

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ ঃ***
দিল্লিদা ইন্দিরা গান্ধী ইন্টর্নেস্নেল (আই জি আই) এয়ারপোর্টতা কষ্টম ওফিসিয়েলশিংনা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা মীওই ৪ দগী লুপা ক্রোর ১ রোমগী সনা ফাখ্রে।

সনাশিং অদু হৌখিবা নুমিৎ ৪ নিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা ফাখিবনি। অহানবা থৌদোক্তা ঙরাং দুবাইদগী দিল্লি এয়ারপোর্ট অসিদা থুংলখিবা মীওই অমা খাল্লগা মচিন হংবা অমসুং মহাক্কী বেগ্গেজ থিজিনবদা পূন্না কে জি ২.৩ লুম্বা, লুপা লাক্ষ ৬৯.৭৩ গী ওইগদবা সনা খাঙেন ২০ ফাখি হায়না কষ্টম দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি। সনা পুরম্বা মীওই অদুসু ফাগৎখ্রে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা মুসকেটতগী দিল্লি এয়ারপোর্ট অসিদা থুংলখিবা মীওই অহুমবু মরক থৎতুনা ৱাহং পাউহং চত্থখি। মখোয়গী হকচাংদা থিজিন-হুমজিনবা অমসুং মখোয়গী বেগ্গেজশিং চেক তৌবদা পুন্না লুপা লাক্ষ ৩০.৩৫ গী ওইগদবা কে জে ১.০১ লুম্বা সনা খাঙেন ৭ ফংখি। মীওই ৩ অদুসু কষ্টম দিপার্টমেন্টনা ফারে হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি।

# বিহার সেন্টর রেপ কেস সি বি আই দা থিজীনহন্নবা খন্নগনি

***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৪ ঃ***
বিহারগী মুজাফরপুরদা গভর্ণমন্টনা ফন্দ পীবা সেন্টর হোম অমদা লৈবা নুপীমচাশিংবু রেপ তৌখি অমসুং নুপীমচা অমা হাৎখিবা থৌদোক অদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হায়রক্লবদি সি বি আই বু থিগৎহন্নবা খন্নগনি হায়না ঙসি সেন্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাথোক অসি ওপোজিসন পার্টিশিংনা লোক সভাদা থাঙ্গৎলকখ্রে অমসুং কংগ্রেস মেম্বর রঞ্জিৎ রঞ্জননা অসিগুম্বা কেসশিংদা সি বি আই বু থিজিনহন্নবা দিমান্দ তৌখি। মদুগী পাউখুমদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনসু মসি য়াম্না অরুবা ৱাথোক অমনি হায়খি। ৱাথোক অসিগী মতাংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতগী রিকোমেন্দেসন অমা লৈরবদি সেন্টরনা সি বি আই বু থিজিনহন্নবা ওর্দর তৌনবা সেন্টরদা খন্নগনি হায়না জেরো অৱার মতমদা হোম মিনিষ্টরনা হায়খি

সেন্টর হোম অদুদা লৈবা নুপীমচা ৩০ গী তঙ্খাই হেনবদি করিগুম্বা মতম অমা নৎত্রগা অমদা রেপ তৌখ্রে হায়বা মেদিকেল রিপোর্টশিংনা তাকই হায়না পুলিসনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রে। নুপীমচাশিং অদুনা মখোয়গী মমান্নবী অমসু ফুরগা হাৎখ্রে অমসুং মফম অসিদা ফুমজিনখ্রে হায়খি।

# মিজোরামদা করপসনগী মরালদা কংগ্রেস লুচিংবা ১৩ ফাখ্রে

***আইজোল, জুলাই ২৪ ঃ***
মিজোরামগী চকমা ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (সি এ দি সি) গী কংগ্রেস মেম্বর ১৩ অমসুং অতোপ্পা কংগ্রেস ওফিসিয়েল ২ করপসনগী মরালশিং শীখ্রে হায়না লীখুন কয়ামরুমনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

কংগ্রেস এম দি সি ১৩ অমসুং মমাঙগী দি এ দি সি দা লৈরম্বা অতোপ্পা ওফিসিয়েল অনী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ফন্দশিং শেরান-তুরান শীজিন্নরম্বগীদমক জেলদা থাজিনখ্রগনি হায়না মিজো নেস্নেল ফ্রন্ট ভিজিলেন্স কম্মিটি সেক্রেটরী দেবিদ রালতে লালস্বামথাংঙানা হায়খি।

গভণমেন্টনা রিকোমেন্দেসন তৌরকপগী মতূং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অমসুং মাইনোরিটি এফিয়ার্স দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা চহীগী জুলাই থাদা মী অমনা শাবা ইনক্বারি কম্মিসন অমা শেমখি।

মতম অদুগী লোঙতলাই দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার এ মুথাম্মাবু শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক থিজিন্নবা মীওই অমনা শাবা ইনক্বারি কম্মিসন থাখি। মহাক্না কুমজা ২০১৭ কী আগষ্ট ৮ দা মাগী রিপোর্ট থাগৎলকখি। রিপোর্ট অদুদা কংগ্রেসনা লুচিংবা সি এ দি সি না মফম অদুগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎনবগীদমক থাদরকপা শেনফমশিং শেরান-তুরান শীজিন্নে হায়খি।

কংগ্রেস লুচিংবশিং অদুগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং শুকশোয় শোয়দনা রেজিষ্টার তৌনবা মহাক্না গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি। কংগ্রেস লুচিংবা ১৫ না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা এন্টিসিপেটরি বেলগীদমক চে থাঙ্গৎলকখ্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পূন্না লুপা ক্রোর ১.৭ হেনবগী শেনফম লান্না শীজিন্নখিবা হান্নগী সি ই এম অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা কালি তোং-চাংগীয়াগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস অমা লৌখৎতবগীদমক মিজো নেস্নেল ফ্রন্ট ভিজিলেন্স কম্মিটিগী সেক্রেটরী দেবিদ রালতেনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

# এলাইয়েন্স তৌনবা নৎত্রগা তৌনদবা সিট য়েন্নবগী মখা পোনগনি হায়না ময়াবতিনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকখ্রে



*চহী অসিগী মে থাদা কর্নাটকা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারাস্বামি ৱাশক লৌবগী থৌরমদা বি এস পি গী অশুপ্পা লুচিংবী ময়াবতি*

***লক্ষনৌ, জুলাই ২৪ ঃ***
কংগ্রেসকা এলাইয়েন্স অমা তৌনবা পাম্বা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী লুচিংবশিংদা হান্নদা ৱার্নিংসু তৌখ্রবী দলিট পৱার হাউস ময়াবতিনা অতোপ্পা পাউজেল অমগসু থারকখ্রে।

হন্দক্কী অসিদদি, চহী অসিগী মনুংদা এসেমব্লি ইলেক্সনশিং পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অহুমদা বহুজন সমাজ পার্টিগা এলাইয়েন্স অমা তৌনবগী মতাংদা হান্নদা মোত মান্নদ্রবা কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংগীদমকনি।

মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিসগরগী কংগ্রেস লুচিংবশিংনা দলিট লুচিংবী অসিগা এলাইয়েন্স তৌনরবদি মখোয়গী পার্টিদা মতেং ওইগনি খল্লি। অমরোমদা রাজস্থানগী লুচিংবশিংনা এলাইয়েন্স অমা তৌনরবদি মদু ষ্টেট অসিদা বি এস পি দা কান্নহনগনি। অদুগা তুং কোইনগী ওইনা কংগ্রেসতা শোকহনগনি হায়রি।

হৌখিবা চয়োলদা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবা কৌখিবা মীফম অমা ৱারেপ লৌবা ঙমদনা লোইশিনখি। মদুগী পাউ অদুনা বি এস পি লুচিংবীদা নুংঙাইহনখিদে। করিগুম্বা ইকায়খূম্ননিংঙাই ওইবা সিট মশীং ফংলবখক্তদা কোলিসন গভর্ণমেন্টকী শরুক অমা ওইনা বি এস পি না ইলেক্সনশিং কন্টেষ্ট তৌগনি হায়না ঙসি ময়াবতিনা ফোঙদোকখ্রে।

রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিসগরদা এলাইয়েন্স তৌনবগী মতাংদা বি এস পি না কংগ্রেস লুচিংবশিংদা হায়বা পান্নিবদি চপ মান্নবা কন্দিসন অদু কংগ্রেসতসু অদুম্মক থমগনি হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টতা লোমেকর খ্বাইদগী মশীং য়াম্না থারিবা উত্তর প্রদেশতা মায় পাক্লবা হোৎনবদা বি এস পি গা এলাইয়েন্স অমা তৌনবা হায়বসি মরু ওইরি।

# নোর্থ কোরিয়ানা মরুওইবা সেটিলাইট লোঞ্চ সাইট ফেসিলিটিজ শীদোকপা হৌখ্রে ঃ য়ু এস গ্রুপ

***সিওল, জুলাই ২৪ ঃ***
হৌখিবা জুন থাদা নোর্থ কোরিয়া লুচিংবা কিম জোং উন না য়ু এস প্রেসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা মহাক্না শকখিবা ৱাশক অমা পাঙথোকপগী খোঙথাং অমা ওইরমগদবা মওংদা নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী মরু ওইবা সেটিলাইট লোঞ্চ সাইটতা লৈবা মরু ওইবা ফেসিলিটিজশিং অদু শীদোকপা হৌখ্রে হায়না য়ু এস রিছার্স গ্রুপ অমনা হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী প্রেসিদেন্সিয়েল ওফিসতগী ওফিসিয়েল অমনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকপদা নোর্থ কোরিয়াগী সোহি লোঞ্চ সাইটতা চত্থরিবা শীদোকপগী থবকশিং অদু সিওলনসু খঙবা ঙম্লে হায়খি।

হন্দক্তা ফংবা সেটিলাইট ইমেজশিংনা নোর্থ কোরিয়ানা রোকেট ইঞ্জিন টেষ্ট ষ্টেন্দ অমা অমসুং সাইট অদুদা লৈবা অতৈ ফেসিলিটিশিং শীদোকপা হৌরে হায়বগী খুদম ফংখি হায়না ৩৮ নোর্থ ৱেবসাইটনা হায়খি। মদু য়ুনাইদেট ষ্টেটসকা থাজনবা হেনগৎহন্নবগী খোঙথাং অমা ওইবগুম তৌই হায়রি।

অতোপ্পা এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোকপদা, অসিগুম্বা খোঙথাংশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং করিসু হন্থহল্লোই নৎত্রগা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই থাদোকপগী অশেংবা খোঙথাং অমা ওইরোই হায়রি।

# লাওস দাম নীংখাইবদা খুঙ্গংশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রে মীওই চা কয়া থিবা খঙদনা লৈরি

***ভিয়েন্টেন, জুলাই ২৪ ঃ***
ঙরাং নিংথৌকাবগী অথেংবদা লাওসকী অট্টাপিয়ু প্রোভিন্সতা হায়দ্রোইলেক্ট্রিক দামদা থোকপা নীংখাইবগী থৌদোক অমদা খুঙ্গ তরুক্তা খঙহৌদনা ঈচাও থোকহনখ্রে। মীওই ৬,৬০০ হেন্না ময়ূম লৈহনখিদ্রে হায়না লাওস ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

থৌদোক অদুগী পিকচরশিংনা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা য়ূমগী য়ূমথকশিংদা খুঞ্জাশিংনা তৌফম খঙদনা লৈবা অমসুং হিশিংনা মীওই কয়াবু শাফগদবা মফমদা পুবা উৎলি।

খুদোংথিবা থৌদোক অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে অমসুং হৌজিকসু মীওই চা কয়া থিবা খঙদনা লৈরি হায়না পাউগী এজেন্সি অসিনা হায়রি।

ঈশিংনা ময়ূম থুমজিনখ্রবা মীওইশিংনা কুমজা ২০১৩ দগী শাবা হৌরকখিবা হায়দ্রোইলেক্ট্রিক দাম, জি-পিয়ান জি-নামনোয় দামগী য়ূমথক্তা হিংননবা চেল্লক্লি। দাম অসি মথং চহীদগী কম্মর্সিয়েল ওপরেসনশিং হৌগদবনি। দাম অদুগী মিটর ৭৭০ শাংবা মিটর ১৬ ৱাংবা "সেদ্দল দাম দি" অদু নীংখাইখ্রে হায়না দাম অদুগী ওপরেটরদগী রিপোর্ট অমা ফংলে হায়না প্রোজেক্ট অদুগী মরু ওইবা ষ্টেকহোল্ডর রটচাবুরি ইলেক্ট্রিসিটি জেনেরেতিং হোল্ডিংনা হায়খি।

লেপ্তনা নোং চুথরকখিবা অমসুং নুংশিৎ শিৎপদগী মৌখৎলকখিবা য়াম্নবা ঈশিং অদুনা রিজার্ভরদা চেন্থরকখিবনি। হৌজিক পৱার কম্পনি অদু অমসুং মরী লৈনদবা এজেন্সিশিংনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংবু হোন্দোক্লকখ্রে।

প্রোজেক্ট অসিদা শরুক য়ারিবা এস কে ইঞ্জিনিয়ারিং এন্দ কন্সট্রক্সন কৌবা সাউথ কোরিয়ান কম্পনি অমনসু মীয়াম অদুবু কন্নবা অমসুং মফম অদুদগী লৌথোকপদা তেংবাংনবা থৌরাং তৌরি হায়না রোইটর্স ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি।

# গ্রিসকী লাম্মৈ চাকপদা শিবা ৪৯ শুখ্রে

***রাফিনা, জুলাই ২৪ ঃ***
হৌজিক অৱাং থংবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা মহৌশা নৎতবা মওংদা টেম্পরেচর ৱাংখৎলকখিবগা লোয়ননা উমংশিংদা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। মসিগী মনুংদা গ্রিসতা লাম্মৈ চাকপদা শিখিবা মীগী মশীং হৌজিক ফাওবদা ৪৯ য়ৌখ্রে।

গ্রিসকী কোনুং এথেন্স মনাক্তা মীয়াম্না পাম্নবা সমুদ্র তোর্ব্বানগী লমদমশিংদা লাম্মৈ অনী থংননা চাকখৎলকখিবদা য়ূমশিং, কারশিং অমসুং উমংশিং মৈনা তুমনা চাকখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৪৯ শিখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মৈ চাকপগী থৌদোক্তা শিখিবা মশীং অসি সমুদ্র তোর্ব্বান্দা মীওই ২০ পুল্লপ্পা শিদুনা লৈরম্বা থেংনবদগী মী কনবগী থবক চত্থরিবা কাঙবুনা পাউ পীরকপদগীনি।

ঙরাং নুমিদাং সমুদ্রগী ঈশিং লাম্বোল্লগা মীওই ৭০০ হেন্না মফম অদুদগী লৌথোল্লকখ্রে হায়না মার্চেন্ট মেরিন দিপ্যুটি মিনিষ্টর নেকতারিওস সন্টোরিনোসনা হায়খি। মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা কোষ্ট গার্দকী থবকসু পুবনি। হৌজিক ফিনলেন্দ, নোরৱে, লাটভিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদসু লাম্মৈ চাকপগী খুদোংথিবশিং মায়োক্লখ্রে।

## GAS TODAY

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 21/06/18
Valid : 20/06/18
Stk : 270
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 25/06/18
Valid : 11/06/18
Stk : 308
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 31/05/18
Valid : 21/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon

**K & K Indane Service**
Booking : 21/07/18
Valid : 10/07/18
Stk : 308
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Manipur Gas**
Booking : 21/05/18
Valid : 19/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 23/06/18
Valid : 19/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 871/-

**Misao Gas Service**
Booking : 21/06/18
Valid : 07/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 21/06/18
Valid : 20/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : Upto Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**B D Gas Chandel**
Booking : 13/06/18
Valid : 01/06/18
Stk : 252/19kg 36
Time : 08.30 to 11.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 11/06/18
Valid : 08/06/18
Sl. No. 0160 to 9601
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Sawombung Indane**
Booking : 27/06/18
Valid : 24/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 04/06/18
Valid : 21/05/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 25/06/18
Valid : 20/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 22/05/18
Valid : 16/05/18
Sl. No. 13850
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১২৩৭ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 3 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 6 | 8 | 1 | 3 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 4 | 2 | 8 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 1 | 7 | 3 |
| 6 | 9 | 4 | 3 | 7 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 6 |


**Government of Manipur**
**Office of the Divisional Forest Officer**
**Tengnoupal Forest Division**

**AUCTION NOTICE**
Dated, the 24th July, 2018

No. 19/01/2013-14/TFD :- It is hereby notified for information of the general public that there will be an auction sale of **Paris polyphyla** having approximate weight of **305 (three hundred and five) Kgs** (confiscated vide order dated 20/07/2018 of the Chief Judicial Magistrate, Chandel in Crl. (C) Case No. 26 of 2018 on 31/07/2018 at 11.30 a.m at the officce of the Divisional Forest Officer, Tengnoupal Forest Division under certain terms and conditions. The terms and conditions of the auction sale can be had from the office of the Divisional Forest Officer, Tengnoupal Forest Division or, the Office of the Range Forest Officer, Moreh along with auction participation form on payment of Rs. 100 during office hour.

Sd/-
**(Sh. Tomba Sharma)**
Member Secretary, Public Auction Committee
Tengnoupal Forest Division
**SL/3839(b)/25**



**Government of Manipur**
**Office of the Divisional Forest Officer**
**Tengnoupal Forest Division**

**AUCTION NOTICE**
Dated, the 24th July, 2018

No. 19/01/2013-14/TFD :- It is hereby notified for information of the general public that there will be an auction sale of **Paris polyphyla** having approximate weight of **206 (two hundred and six) Kgs** (confiscated vide order dated 17/07/2018 of the Chief Judicial Magistrate, Chandel in Crl. (C) Case No. 25 of 2018 on 31/07/2018 at 11.20 a.m at the officce of the Divisional Forest Officer, Tengnoupal Forest Division under certain terms and conditions. The terms and conditions of the auction sale can be had from the office of the Divisional Forest Officer, Tengnoupal Forest Division or, the Office of the Range Forest Officer, Moreh along with auction participation form on payment of Rs. 100 during office hour.

Sd/-
**(Sh. Tomba Sharma)**
Member Secretary, Public Auction Committee
Tengnoupal Forest Division
**SL/3839(c)/25**


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1238**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | | |
| 1 | 5 | | | 3 | | 7 | | 4 |
| | 9 | | 1 | | 8 | | | |
| 9 | | | | | | | | 5 |
| | | 5 | | 1 | 3 | | | 7 |
| 8 | | 6 | | | | | | |
| 4 | 2 | 3 | | | | | 8 | |
| | 1 | 7 | | 5 | | | | |
| 5 | | | | | | 1 | | |